**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 01-02-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) শেনবা চহি ২০২৬-২৭ কী কেন্দ্রগী বজেৎ ঙসি শেল থুম মন্ত্রি নিরমালা সিতারমন্না লোক সভাদা পুথোকখ্রে।

২) শ্রীমতি সিতারমন্না হায়- হন্দক্কী বজেৎ অসি নহারোলগী শক্তিদা যুম্ফম ওইবা বজেৎনি। মণিপুর, অরুনাচল প্রদেশ, সিক্কিম, অসাম, মিজোরম অমসুং ত্রিপুরাদা বুদ্ধিষ্ট সার্কিট শেমগৎনবা স্কিম হৌদোক্লগনি।

৩) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- শেনবা চহি ২০২৬-২৭ কী কেন্দ্রগী বজেৎ অসি মেক ইন ইন্দিয়া অমসুং আত্মা নিরভর ভারতকী লৌখৎলিবা থৌরাংশিং ইনোৎ হাপবা য়ামা আশা লৈবা রোদ মেপ অমনি।

৪) ইনকম টেক্স এক্ট ২০২৫ চৎলিবা চহি অসিগী এপ্রিল ১ দগী চৎনবা হৌরগনি।

অমসুং

৫) মালেমগী ব্রেটলেন্দ নুমিৎ লৈবাক্কী অতৈ মফমশিংদা পাঙথোকবগুম মণিপুরদসু হয়েং পাঙথোক্কনি।

------

বজেৎ ঃ শেনবা চহি ২০২৬-২৭ কী কেন্দ্রগী বজেৎ ঙসি শেল থুম মন্ত্রি নিরমালা সিতারমন্না লোক সভাদা পুথোকখ্রে। বজেৎ অসি শ্রীমতি সিতারমন্না শেল থুম মন্ত্রি ওইনা থংনা থংননা পুথোকপা ৯ লক শুবনি।

বজেৎ অদু পুথোক্লদুনা শ্রীমতি সিতারমন্না হায়- হন্দক্কী বজেৎ অসি নহারোলগী শক্তিদা যুম্ফম ওইবা বজেৎনি। বজেৎ অসিনা লাইরবগী চাং হন্থহন্নবা অমসুং লৈবাক অসিগী মীয়ামগী পুন্সি মহিং ফগৎহন্নবা তোঙান তোঙানবা থৌরাং কয়া য়াওরি।

বজেৎ অসিগী মপুং ওইবা শক্তমদি- কেপাসিতি বিল্ডিং অমসুং রিফোর্মসতা অহেনবা মীৎয়েং থম্বা, খাদি, হেন্দলুম অমসুং হেন্দিক্রাফট হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা মহাত্মা গান্ধি গ্রাম স্বারাজগী থৌরাং হৌদোকপা হায়বসিনি। টেক্সতাইল সেক্তরগীদমক বজেৎ অসিনা নেসনেল ফাইবর স্কিম য়াওবা ইন্তিগ্রেতেদ প্রোগ্রাম অমসুং মেগা টেক্সতাইল পার্কশিং লিংখৎনবা নেসনেল হেন্দলুম এন্দ হেন্দিক্রাফট প্রোগ্রাম হৌদোকবা প্রস্তাব তৌরি।

তুংগী চেম্পিয়ন এস.এম.ইশিং শেমগৎনবা লুপা কোতি লিশিং ১০ গী এস.এম.ই গ্রোথ ফন্দ হৌদোক্লে। শ্রীমতি সিতারমন্না হায়- ইনফ্রাষ্ট্রকচর রিক্স গেরেন্তি ফন্দ অমা হৌদোক্লগনি। চহি মঙাগী মনুংদা বাইওলোজিক্স অমসুং বাইও সিমিলারসকী লৈবাক অসিদা পুথোকপা পোথোক্কী ইকো সিষ্টেম শেমগৎনবা বাইও ফারমা শক্তিগীদমক লুপা কোতি লিশিং ১০ খাক্লে। অনৌবা নেসনেল ইন্সটিট্যুট ওফ ফারমাসিউতিকেল ইজ্কেসন এন্দ রিছার্স লিংখৎলগনি অমদি হান্নদগী লৈরকপা ৭ কী ফিভম ফগৎহল্লগনি।

ইলেক্ট্রোনিক্স কম্পোনেন্ট মেন্যুফেকচরিং স্কিমগী শেনফম লুপা কোতি লিশিং ৪০ দা হেনগৎহন্নবা প্রস্তাব তৌরি, কেমিকেল পার্ক অহুম লিংখৎলগনি। মী লাখ ৫ গী মথক্তা লৈবা সহরশিংগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগৎপগী থবক মখা চত্থনবা মীৎয়েং থমদুনা পাব্লিক কেপেক্সকী শেনফম লুপা কোতি লাখ ১২ লিশিং ২০ দা হেনগৎনবা বজেৎ অসিনা প্রস্তাব তৌরি।

ভিক্সিত ভারত ওইহন্নবগীদমক বেঙ্কিং সেক্তর অমুক হন্না য়েংশিন্নবা হাই লেবেল কমিতি ওন বেঙ্কিং লিংখৎনবা সরকারনা ৱারেপ লৌরে। কেন্সরনা নারবা মীওইশিংগী হিদাক মখল ১৭ তা কষ্টমস দ্যুতি লৌররোই। ভারতপু মেদিকেল তুরিজমগী ময়োল ওইহন্নবা সরকারনা রিজনেল মেদিকেল হব ৫ দা

মতেং পীরগনি। অনৌবা ওল ইন্দিয়া ইন্সটিট্যুট ওফ আয়ুরবেদ অহুম লিংখৎলগনি।

লাক্লিবা চহি ১০ অসিদা স্পোর্টস সেক্তরদা চাউনা অওনবা পুরকবা সরকারনা খেল্লো ইন্দিয়া মিসন হৌদোক্লগনি। অরুনাচল প্রদেশ, সিক্কিম, অসাম, মণিপুর, মিজোরম অমসুং ত্রিপুরাদা বুদ্ধিষ্ট সার্কিট শেমগৎনবা স্কিম হৌদোক্লগনি। সরকারনা নিমহান্স টু লিংখৎলগনি অমসুং রাঞ্চি অমদি তেজপুরদা লৈরিবা নেসনেল মেন্টেল হেলথ ইন্সটিট্যুটশিং রিজনেল এপেক্স ইন্সটিট্যুসন্স ওইনা অপগ্রেদ তৌরগনি। ইম্মরজেন্সি অমসুং ত্রাউমা কেয়ার সেন্তরশিং লিংখৎতুনা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতালশিংগী কেপাসিতি চাদা ৫০ হেনগৎহল্লগা ইম্মরজেন্সি সার্ভিসশিং হেন্না ফগৎহল্লগনি।

মোটোর এক্সিদেন্টস ক্লেম ত্রাইবুনেলনা লাউথোকপা শেনফম ইনকম টেক্স লৌররোই। ইনকম টেক্সকী মওং মতৌদা অহোংবা লৈররোই। বজেৎ অসিনা রিভাইস রিটর্ন নত্রগা বিলেতেদ রিটর্ন ফাইল তৌবগী মতম শাংদোকবা প্রস্তাব তৌরি।

প্রোগ্রাম ঃ কেন্দ্রগী শেল থুম মন্ত্রি নিরমালা সিতারমন্না ঙসি সংসদতা পুথোকখিবা কেন্দ্রগী বজেৎ অসিগী মতাংদা খন্ন-নৈনবগী থৌরম অমা ঙসি নুমিদাং পুং ৮ মিনিত ৫ দা অকাশবানি ইম্ফালগী শঙাই চেন্নেলদা শন্দোক্কনি। খন্ন-নৈনবা অসিদা মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী ইকোনোমিক্সকী প্রোফেসার চিংলেন মৈস্নাম অমসুং সেনিয়র জরনেলিষ্ট অহোংশাংবম মোবি শরুক য়াগনি। থৌরম অসি অকাশবানি ইম্ফাল য়ু ট্যুব চেন্নেলদসু লাইভ ষ্ট্রিমিং তৌদুনা শন্দোক্কনি।

পিএম ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- শেনবা চহি ২০২৬-২৭ কী কেন্দ্রগী বজেৎ অসি মেক ইন ইন্দিয়া অমসুং আত্মা নিরভর ভারতকী লৌখৎলিবা থৌরাংশিং ইনোৎ হাপবা য়ামা আশা লৈবা রোদ মেপ অমনি।

মহাকা হায়- কুমশি চহিগী বজেৎ অসিনা লৈবাক অসিবু তুংগী চাউনা আশা লৈবা য়ুন্বীগী মপাঙ্গল হেন্না কনখৎহল্লগনি। প্রধান মন্ত্রিনা হায়- হন্দক্কী

বজেৎ অসি তোপ তোপ্পা বজেৎ অমনি। মসিনা ফিস্কল দিফিজিৎ হন্থহন্নবা অমসুং ইনফ্লেসন লাকশিনবদা মীৎয়েং চংলি। শ্রী মোদিনা হায়- টেক্সতাইল সেক্তরগী অনৌবা স্কিমশিং, হাই টেক টুল মন্যুফেকচরশিংদা হেন্না পুকিং থৌগৎপা অমসুং চেম্পিয়ন এম.এস.এম.ই শেমবগী ৱাফম য়াওরিবা অসিনা লৈবাক অসিগী হৌজিক অমদি তুংদা দরকার ওইগদবশিং পুন্না য়াওরি। প্রধান মন্ত্রিনা হায়- জিলা খুদিংমক্তা নুপী মহৈরোইশিংগী অনৌবা হোষ্টেলশিং শানবা কেম্পেন অসিনা মহৈ মশিং তম্বদা হেন্না খুদোংচাহল্লগনি। মহাকা হায়- মহাক্কী সরকারনা লৌউ শিংউ, দেরি অমসুং ফিসরিদা অহেনবা মীৎয়েং চংদুনা লাক্লি। শ্রী মোদিনা হায়- হন্দক্কী বজেৎ অসিদা য়ুবী, কাজ, কোকো অমসুং সেন্দল ব্রুদ থারিবা অমদি পুথোকিবা লৌমীশিংগীদমক মরুওইবা থৌরাং খরা লৌখৎলে।

এক্ট ঃ ইনকম টেক্স এক্ট ২০২৫ চৎলিবা চহি অসিগী এপ্রিল ১ দগী চৎনবা হৌরগনি। লোক সভাদা ঙসি কেন্দ্রগী বজেৎ পুথোক্লদুনা শেল থুম মন্ত্রিনা হায়- লাইথোকহল্লবা ইনকম টেক্স রুলস অমসুং ফোর্মস অথুবা মতমদা নোতিফাইদ তৌরগনি। শ্রীমতি সিতারমন্না মখা তানা হায়- শেনবা চহি ২০২৬-২৭ তা পুখগদবা শেনফম অসি চৎলিবা শেনবা চহি অসিগী চাদা ৪.৪ ওইরিবা অদুগা য়েংনবদা জি.দি.পিগী চাদা ৪.৩ ওইরবা য়াই হায়না পানরি।

রিপোর্ট ঃ ইং কুমজা ২০২৬ তগী ২০৩১ ফাওবগী ওইনা কেন্দ্র অমসুং রাজ্যশিংগী মরক্তা টেক্স রেভিন্যু য়েন্নবগী ১৬ শুবা ফাইনান্স কমিসনগী রিপোর্ট ঙসি শেল থুম মন্ত্রি নিরমালা সিতারমন্না লোক সভাদা পুথোকখ্রে। সভাদা ঙসি বজেৎ পুথোক্লবা মতুংদা শ্রীমতি সিতারমন্না ফাইনান্স বিল ২০২৬ সু পুথোকখি। ফিস্কাল রেস্পোন্সিবিলিতি এন্দ বজেৎ মেনেজমেন্ট এক্ট ২০০৩ গী মখাদসু মহাকা ষ্টেটমেন্টশিং সভাদা পুথোকখি। ষ্টেটমেন্টশিং অদুদি মেদিয়ম টার্ম ফিস্কাল পোলিসি কম ফিস্কাল পোলিসি ষ্ট্রেটেজি ষ্টেটমেন্ট অমসুং মেক্রো ইকোনোমিক ফ্রেমৱার্ক ষ্টেটমেন্ট অসিনি। তুংদা সভাগী মীফম হয়েং অয়ুক পুং ১১ ফাওবা য়ৈথোকখি।

ৱেটলেন্দ (এল)ঃ মালেমগী ৱেটলেন্দ নুমিৎ লৈবাক্কী অতৈ মফমশিংদা পাঙথোকবগুম মণিপুরদসু হয়েং পাঙথোক্কনি। কুমশি চহিগী ৱার্ল্ড ৱেটলেন্দ ডেগী হিরমনা- ৱেট লেন্দস এন্দ ত্রেদিসনেল নোলেজ-সেলেব্রেতিং কলচরেল হেরিতেজ হায়বসিনি। মপুং ওইবা থৌরম রাজ্যগী দাইরেক্তোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেত চেঞ্জনা মণিপুর ষ্টেট ৱেট লেন্দস ওথোরিতিগা খুৎশমদুনা ইম্ফাল ইষ্টকী য়ারল পাৎতা পাঙথোক্কনি।

থৌরমদুদা ফোরেষ্ট, ইনভাইরোনমেন্ট অমসুং ক্লাইমেত চেঞ্জগী প্রিন্সিপাল সেক্রেতরি অরুন কুমার সিনহা, কম্মিসনার ডাঃ সাইলেস কুমার চৌরাসিয়ানচিংবা শরুক য়াগনি। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা মণিপুর এমেচর ফোটো ক্লবকী ফোটো একজিবিসন অমা হাংদোক্কনি। মসিগী মথক্তা ৱার্ল্ড ৱেটলেন্দ ডেগা মরী লৈননা পাঙথোকপা রাজ্য থাক্কী সিম্পোজিয়মদা মকোক মথং তাখ্রবশিংদা মনা য়েন্থোক্কনি। থৌরমদুদা য়ারল পাৎতা ৱেটলেন্দ ভারচুয়েল ম্যুজিয়ম অমসুং টোপ দুসরা ভিলেজবু ক্লাইমেত রিজিলিয়েন্ট ভিলেজনি হায়না লাউথোক্কনি।

লোক্তাক (এল)ঃ মালেমগী ৱেটলেন্দ নুমিৎকী মাংওইননা লোক্তাক পাৎকী তৌবুলদগী ময়াংইম্ফাল ফাওবা চেল্লিবা য়াংগোই তুরেল মরিল অমদি মসিগী অকোইবদা লৈবা মফমশিংদগী প্লাষ্টিক্কী পোৎলমশিং ঙসি শেংদোকখ্রে। পুন্না হি ৩০ মুক্তা মীওই ১০০ রোমা প্লাষ্টিক ফত্ত হাউদিশিং অদু শেংদোকখি। লিক্লাই কারোংদগী বিরাহরি পার্ক অমদি চম্পু খাংপোক ফাওবা শেংদোকপগী থবক অদু দাইরেক্তোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেত চেঞ্জ, পিপলস রিছোর্স দিভলপমেন্ট এসোসিয়েসন বিষ্ণুপুর অমদি চম্পু খাংপোক ফোতিং আইলেন্দ ৱেলফ্যার কমিতিনা পুন্না শিনবনি।

এময়ু (এল)ঃ মণিপুর য়ুনিভর্সিতিদা জপানিজ লোল তম্বগী মতাংদা খন্ন-নৈনবা অমসুং ৱারি ৱাতাই শান্নবগী থৌরম অমা ঙসি ককচিং জিলাগী কৈরক্তা লৈবা কৈথেল লম্পাক কম্ম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসি রাজ্যগী

রুরেল দিভলপমেন্ট এন্দ পঞ্চায়াতি রাজ বিভাগকী মণিপুর ষ্টেট রুরেল লাইফলিহুদ মিসন (এম.এস.আর.এল.এম)গী মখাদা লৈবা ভিলেজ লেবেল ফেদরেসনশিং- লৈমারেন্বী ভি.এল.এফ, লিংজেল থোইবী ভি.এল.এফ, পান্দম ভি.এল.এফ, শিন্থা ঙানবী ভি.এল.এফ অমসুং থৌঙন্বী ভি.এল.এফনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবনি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা এম.এস.আর.এল.এমগী ষ্টেট মিসন দিরেক্তর নোংমাইথেম বন্দনা হায়- অনিসুবা লাঞ্জাউগী মতমদা জপানিজ লান্মী কয়া রাজ্য অসিদা লাকখি, খরনা লানদা থৱায় থাখি। ঙসি লান্মীশিং অসিগী লৈহৌরিবা ইমুং মনুংনা হৌজিকসু মখা তানা লাকরি। মণিপুরগী নহাশিং লোল অসি তমশিল্লবদি লৈবাক অদুদা থবক তৌবগী খুদোংচাবা কয়া লৈরি।

ফেসন (এল)ঃ ফেসনগী খুথাংদা রাজ্য অসিবু লম কোইবশিংগী পুকিং চিংশিন্নবগী পান্দমদা পাঙথোকপা ফেসন তুরিজম ২০২৬ হয়েং মোইরাং-সেন্দ্রাগী এল.দি.এ কমপ্লেক্সতা পাঙথোক্লগনি। রাজ্যগী আর্ট এন্দ কলচর অমসুং তুরিজম বিভাগনা খুৎশমরগা পাঙথোক্কদবা থৌরম অসিদা মণিপুরদগী য়াওনা তোঙান তোঙানবা রাজ্যশিংদগী লাকপা ফেসন মোদেল ৪০ রোমা শরুক য়াগনি।

আয়ুস (এল)ঃ নোংমগী ওইবা আয়ুস ফ্রি ত্রিটমেন্ট কেম্প অমস্ং মীয়াম্বু ভাব তাহনবগী থৌরম অমা ঙসি ইম্ফাল ইষ্টকী খুরাই জেনিয়েল ক্লবতা পাঙথোকখ্রে। ষ্টেট আয়ুস সোসাইতি, দাইরেক্তোরেট ওফ আয়ুস লমফেলপাৎকী মখাদা পাঙথোকপা কেম্প অদুদা মীওই ২০০ হেন্না তোঙান তোঙানবা অনা লায়েং চথখি। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা দাইরেক্তোরেট ওফ আয়ুসকী হান্নগী এদ্দিসনেল দাইরেক্তর ডাঃ মোইরাংথেম শ্যামজাইনা হায়- আয়ুসকী হিদাক লাংথক শিজিন্নবনা অনাবা মখল কয়া তুং কোইনা ফহনবা ঙম্মী। মহাকা হায়- অতৈ রাজ্যশিংগা য়েংনবদা মণিপুরদা আয়ুরবেদ, যোগ অমসুং নেচরোপেথিগী অনা লায়েং অসি মমিং চৎলি।

কেএসএ (এল)ঃ কে.এস.এ থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল অমদি এন.জি.এল লৌরেম্বমনা দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতি থৌবালগা খুৎশমদুনা নোংমগী ওইবা লেমা লায়েংবগী কেম্প অমা ঙসি থৌবাল জিলাগী নোংপোক লৌরেম্বমদা পাঙথোকখ্রে। কেম্প অদুদা মীওই ২০০ রোম লায়েংখি অমদি লেমা হিদাক লাংথক কয়াসু য়েন্থোকখি।

নিংথৌখোং (এল)ঃ কে. গোজেন্দ্রো ফাউন্দেসন অমসুং ওল্ড ব্রদরস কমিতি নিংথৌখোংলনা পুন্না শিনবা ১২ শুবা য়ুনিক ফ্রি রিভিজন কোর্স ঙসি লোইশিনখ্রে। কোর্স অসিদা চহি অসিগী ক্লাস টেন পরিক্ষা থাগদবা মহৈরোই ২২০ দা থা অনি চুপা তোঙান তোঙানবা সবজেক্টকী অখন্নবা রিভিজন কোর্স পাঙথোকখি। কোর্স অসি এম.এল.এ গোবিনদাস কোন্থৌজমগী লৈখিদ্রবা মহাক্কী অপোকপগী মীংদা পাঙথোকখিবনি।

আর্কিটেক (এল)ঃ মণিপুর আর্কিটেক ফোরমনা বিষ্ণুপুর জিলাগী তকমুদা মোদেল মণিপুর য়ুনিফাইদ বিল্ডিং বাই লোস ২০২৪ গী মতাংদা খন্ন-নৈনবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা ফোরম অসিগী প্রসিদেন্ট গীতকুমার নেপ্রমনা হায়- আর্কিটেক নত্তবশিংনা আর্কিটেক শাদুনা বিল্ডিং কন্সট্রক্সনশিংদা য়াওশিল্লকপা তারগদি খুদোংথিবা কয়া মায়োকরকপা য়াই। মরী লৈনবা বিভাগশিংনসু অসিগুম্বা শাজিন্নবা মীওইশিং অসি নেকপিগনু। কনাগুম্বা আর্কিটেক নত্তবশিংনা মীং অসি লান্না শিজিন্নরম্বা তারবদি আর্কিটেক এক্ট ১৯৭২ গী মখাদা চৈরাক ফংগনি।

হোমগার্দ (এল)ঃ মণিপুর হোমগার্দ ইমপ্লোয়িজ ৱেলফ্যার এসোসিয়েসন্না থবক্তগী পোত্থারবা পার্সোনেল ১৫ অমদি লৈখিদ্রবা পার্সনেল অমগী ইমুং মনুংদা লুপা লাখ অমমমগী শেনফম খুৎশিন্নখ্রে। এসোসিয়েসন অসিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- হৌজিক ফাওবদা পুন্না লৈখিদ্রবা পার্সোনেল ১৩৭ তা শেলগী মতেং পীখ্রে।

থিয়েতর (এল)ঃ থিয়েতর গ্রুপ ২০ শরুক য়াদুনা চয়োল অমা চথুগদবা ১২ রক শুবা ফেষ্টিভেল ওফ ফোল্ক নরেতিভ আর্টস এন্দ কংলা থিয়েতর মরাথোন কংলা উচিব্রাগী ওদিতোরিয়মদা ঙসিদগী হৌখ্রে। কংলৈ লিভিং আর্টসনা শিনবা থৌরম অসিগী হৌদোকপদা ইষ্টর্ন জোন কলচরেল সেন্তর কোলকাতাগী বোর্দ ওফ গভর্নরসকী মেম্বর বুধা চিংথাম য়াওনা মীওই কয়ানা শরুক য়াখি। থৌরম অসি কেন্দ্রগী কলচর মন্ত্রালয়গী কলচরেল ফঙ্কসন এন্দ প্রদক্সন গ্রান্ট স্কিমগী মখাদা পাঙথোকপনি। ঙসি অহৌবা নুমিৎতা থিয়েতর গ্রুপ অহুমা তোঙান তোঙানবা ড্রামাশিং পাঙথোকখি অমদি দান্স কোরিওগ্রাফি সনাদৈবাকনি ঐখোয়গী উৎখি।

কাংমোং (এল)ঃ কাংমোং সঙ্গিৎ কলা মন্দল লিংখৎখিবগী ৩৮ শুবা মপোক কুমওন থৌরম ঙসি কাংমোং মৈস্নাম লৈকাইদা লৈবা মন্দল অসিগী মান্দপতা পাঙথোকখ্রে। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা কাংমোং সঙ্গিৎ কলা মন্দলগী আর্টিষ্টশিংনা হোলি পার্ফোমেন্স অমসু উৎখি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

পোলো ঃ  ৭ শুবা মণিপুর ইন্তরনেসনেল ৱিমেন্স পোলো তুরনামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা সাউথ আফ্রিকা পোলো টিমনা জাম্বীয়া পোলো টিম্বু পাঞ্জল ৮-৬ তা থোহখ্রে।

খো খো ঃ  খো খো ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা হরিয়ানাগী কুরুক্ষেত্রদা চথুরিবা ৩৫ শুবা সব-জ়নিয়র নেসনেল খো খো চেম্পিয়নসিপকী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী মেটচতা মণিপুরনা হিমাচল প্রদেশপু পোইন্ট ৫২-১৪ দা অমসুং মণিপুরনা অন্ধ্র প্রদেশপু পোইন্ট  ৪৮-২৪ দা থোইখ্রে।

নুপীগী কাংলুপ্তা মণিপুরনা দদর এন্দ নগর হভেল্লিবু পোইন্ট ২৬-১৬ অমসুং মণিপুরনা অন্ধ্র প্রদেশপু পোইন্ট ৪০-৩১ দা থোইখি।

ফুটবোল ঃ ১৮ শুবা মণিপুর ষ্টেট লিগকী ঙসি লমলোং থোংখোঙদা লৈবা আর্তিফিসিয়েল টর্ফ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচ অমদা পথাপ এফ.সিনা ক্রুগপু পাঞ্জল ৪-১ দা থোইখ্রে।

ফুটবোল ঃ চহি ১৯ মখাগী ৱিমেন্স ফুটবোল লিগতনা ক্রিপসানা খুমন এফ.এবু পাঞ্জল ১৬-০ দা অমসুং মণিপুর য়ুনাইতেদ এফ.এনা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লবপু পাঞ্জল ৭-৪ দা থোইখ্রে।

ফুটবোল ঃ দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন ককচিংনা শিনবা ১৯ শুবা দি.এস.এ ত্রোফিগী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা এস.এফ.সি সোরানা য়ু.সি.সি ককচিংবু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা এস.দব্লিউ.সি কৈরকনা কে.এম.এস.দব্লিউ.সি কৈরকপু পাঞ্জল ১৩-০ দা থোইখি।

ফুটবোল ঃ পুজা এফ.সি হৈরোকা তরুকশুবা চন্দ্রনদি ত্রোফিগী ৱিন্নর ওইরে। ঙসি হাউরৈবী কাংজৈবুংদা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা পুজা এফ.সি হৈরোকা খুমন লৈবাকময়াং ইম্ফালবু পাঞ্জল ৪-১ দা থোইদুনা ৱিন্নর ওইখিবনি।

ফুটবোল ঃ নোংগ্রেন নহারোল চাওখৎ খোঙথাং ক্লবনা শিন্দ্না চথরিবা মঙাসুবা নোংগ্রেন ত্রোফিগী ঙসি শান্নখিবা ক্বাতর ফাইনেল মেটচশিংদা ৱাই.দি.সি.এল টিম-বি পুংদোংবমনা এস.পি.ভি.সি সৈজাংবু পাঞ্জল ৩-০ দা অমসুং ও.এন.ভি.সি ওকসুনা এন.এন.সি.কে.সি নোংগ্রেনবু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখ্রে।

ফুটবোল ঃ এল.এম.এল.সি.সি. লাংমৈদোং লম্পাক্তা চথরিবা তরুকশুবা ভিলেজ লেবেল ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা এল.এম.এল.সি.সি টিম-বিনা দি.ৱাই.এ এলাং খাংপোকপীবু পাঞ্জল ১-০ দা, হৈবোং এফ.সি. সেক্তানা এম.পি.এ টিম-বি থৌনাউজমবু পাঞ্জল ৪-০ দা থোইখি।

মাষ্টর ঃ   রাজস্থানগী আজমিরগী পাতেল ষ্টেদিয়মদা চত্থরিবা ৭ শুবা নেসনেল মাষ্টর এথলেটিক চেম্পিয়নসিপকী ঙসি হুমি চনবা নুমিৎকী নুমিদাং পুং ৬ ফাওবদা পাঙথোকখিবা ইভেন্টশিংদা মণিপুরনা সনাগী তকমান ১১, লুপাগী ১১ অমসুং শেঙ্গেংগী ৭ লৌবা ঙমখ্রে।

চেস ঃ   ৱার্ল্ড চেস ফেদরেসনগী ঙসি ফোংখিবা ফিদে রেত্তিংদা দি চেস একাদমিগী শান্নরোই মরি- ইন্তরনেসনেল রেত্তিং চল্লকপদা একাদমি অসিনা নুংঙাইবা ফোংদোরক্লি।

ক্রিকেট ঃ   গেলেক্সি ক্রিকেট ক্লব-খুরাই সাজোর লৈকাইনা শিনদুনা পাঙথোক্লিবা ষ্টেট লেবেল ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা ক্বাটর ফাইনেল মেটচশিংদা এ.টি.সি রিফোর্মনা দেষ্ট্রোয়রবু রন ৬৬ তা, নো লুক্সনা মিষ্টর এলেভেনবু রন ৩৫ দা থোইদুনা সেমি ফাইনেল চংলে।

------